> “আতমা করিনো? ইলেক্ট্রোন্না মোটর ফন্দামেন্টেল পার্টিকল অমা ওইবগুম্না আতমানা ঈশ্বরগী অংশ অমনি। ইলেক্ট্রোনগী মশীং লাকঙমদবগুম্না আতমাসু মশীং লাকঙমদে।”
>
> - ভক্তিস্বরূপ দামোদর স্বামী (ধর্ম্ম অমসুং বিজ্ঞান)

## ঙসিগী মণিপুর

**—কে শ্যাম সুন্দর শর্ম্মা**

ভোট লেপ্লে ইনাকখুনবনা
ভোট কারে শেল পায়বনা
খূৎ লোন্নরম্মী ভোট কাদ্রিঙৈদদি
লায়রবা, অঙাওবা চাক্লিবশিংদা।

ভোট কাখ্রে মন্ত্রি ওইখ্রে চাউথোক্লে
কনা কনা ভোট পীখিবগে খঙদ্রে
থবক হাপলে শেল লৌরে
শেল পায়বনা থবক ফংলে।

প্রমোসন ফংলে জুনিয়র ওইবনা
ওইরম্মী মহাক্তু মন্ত্রি কেন্দ্রদগী
পোৎকী মমল লেপ্পী রেদিওদা
এজেন্টনা লৌনীং লৌনীংবা লৌই।

বন্দ-ব্লোকেদ হেক হৌবদা
করবাররালা হরাউবা হৌরে
থোঙ লোনবা য়াওনরে
নারোন্দা য়োনবা হৌনরে।

গাড়ী ক্যু লেংবা হৌনরে
পেট্রোল পম্পতা থাউ থাদরে
পম্প মমাঙদদি লিক্লি লিক্লি য়োন্নরি।

ব্লোকেদ তোকপা লৈতরে
মমল হায়গৎনা য়োল্লি দুকান্দা
চরি তৎলে হিংবগী লানফমদা
পূন্নমক তাইওন্নরে ঙসিগী মণিপুর।

## চৎলসি কৈদনো

**—ঈ আর. নোংমাইথেম নোরেন**

চৎলসি কৈদনো থাপ্না নঙ-ঐ
থিরুরসি অশেংবা লমদম অমা,
থাদোক্লল্লসি নুংশিরবা ইরমদমসে
লৈত্রবনি ঐখোয়নীগী চন্নফম।

খনখ্রবনি হুনি শেংলবা লাইজসু
মখোয়দি পীথক্লিংবা ঐখোয়না।

মিকুপ অমা থিন্থরগুমসি
অমোৎপনা থল্লবা মফমসিদা
মোৎহন্নীংদে নঙবুতংদি ঐনা
মাঙহন্নীংদে নঙগী ফজবা।

## য়েন্নিংথা মমৈগী কোকিল

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

য়েন্নিং থাগী হৈপাল লৈপালদা
তোঙদুনা খোঙলবা কোকিলনি ঐ
ঐগী কোনয়াই মমি তাখিদ্রবা ফৈজোম পুময়াৎ
ইরাৎ ইশোন অহুম মরীদগী তাদনা ননশিনখ্রবা
হায়দোক্তুনা য়েংলুই ঙসি অমুক নৌহৌনা।

মঞ্জুনরবা শাউনগী হৱাই চপল
লাইনীং লাইশোন মফম অহুম, মরিরক্তা
হঞ্জিন হঞ্জিন ওন্থোক্লখ্রবা
থাংদোক্তুনা য়েংলুরি।
কাখল নাইনা শেম শারবা
মখা ইথং থংবা কা অদুদা
লৈরমখি উফুল ৱাইফুলতনা তৈরদুনা।

কমলা মমা কৈথেল লুকমাই পানখ্রি
শজিবু নোংমা পানবগী, নুংশাগী মৈশালক্তা
মনা মশীং খরা য়োন্নবগীদমক
লৈত লায়রা কোক্লবা।

য়ূমগী চারাসু তমখিদে,
মী খ্বাইগা মান্নবসু নত্তে,
মীতৈ চনু অশেংবা
লীংজেল থৌনা পুথোক্তুনা
খ্বাংদা খ্বাংচেৎ লাক্তুনা
মখূৎতা তেম পায়রদুনা
চেঙ পুথোকখিবা য়ারোই
লাউবা ঙম্বসু নত্তে।

মীরক্তা অদুক য়াওবা খক্তনি,
শীংজুগী মচলগুম্বনি।
মানি ঐদি য়েন্নিংথা মমৈগী কোকিলনি
হৈপাল লৈপাল শিনবা থুংনা পাইরিবা

## হিংবা

**—ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম**

হিংমিন্নরিবা ঐখোয়সে
হিংবগী ৱাহন্থোক থিমিন্নসি
হিংবা হৈতবশিংনা হিংলগা
ৱাথোক লান্থোক হেনগৎলকই।

চিংথবগী হৈনবী থাদোক্তনা
খোঙজং চঙশিনবনা কান্নরোই
লুচিংবা মুন্নবগী চৎনবী থাদোক্তনা
পূনশিনবগী মচৎ লাকঙমলোই,

মাঙখ্রবা নীংতম্বা হঞ্জিলহনবদা
নীংতম্বগী ৱারী মীরোলসিদা খঙহনসি
চহী ২০০০ গী হিরুবাক্তা
তোঙলুবগী পুৱারীনা কৈদৌরুনি,

হিংনবা হোৎনরিবা মীওইলক্তা
শিন্নবা হোৎনবগী কান্নবা লৈব্রা
অশোনবা মীতনা অশোনবা লোৎনবা
মীগী অরানবা থিনরি।

## জোব কার্দ

**—কান্তা মৈরালাকপম**

খুঙ্গংশিংদা শুবা থবক
জোব কার্দ
চহী অমগী মনুংদা
নুমিৎ চাম্মা
লৈঙাক্লা থবক শুহনবীয়ু।

জোব কার্দসি
য়াম্না ফৈ
ইকোন তৌই শেমজনলি
লৌখোং তেংথোকই
উ চারা থাই
লম্বী শেম্বা শেংদোকপদা ফুকতোকই।

থবক শুফম লৈতবশিং
থবক পী
শেম্থোক লম্বী লৈহল্লি
খ্বাইদগী ফবা
অফবা থবকনি।

## তাইবঙ লোনচৎ

**—অয়াম ইবেতোম্বী**

নুপীগী অৱাবদি নুপীতনা খঙগনি
থম্মোয়গী পাউখুমদি থম্মোয়তনা পীগনি
পাল্লবদা-থম্মোয়বু থুম্না নুংশিগী তেন্না।

থাঙলোনগী ৱাহন্থোকসু থাঙলোনতনা হনগনি
নোংমৈগী পাউখুমদি নোংমৈতনা পীগনি
য়েৎনা হুল্লগা ওইনা ওকপদি
পাউদেম মাগী মথৌনি।

কলমনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদো
কলমনা শোয়দনা পীবা তাবনি।
অৱাবা খঙদবা কনানা
করম্না খঙগনি নুংঙাইবা!
অথিবা লৈরমদবা থোক্লবা
করম্না খঙগনি ফজবা হায়বদু।

অনী অনীনা শাবা মপোক্লি
মা-ঐ, ঐ নৎত্রগা মা!
ফজবা, অথিবা, অহাউবা, হাউতবা,
অনীগী খেন্নবা লৈরম্বনা
লেল্লিবনি পুন্সিসি মহাউ খঙনা
মসিবু কৌইনে তাইবঙ লোনচৎ।

## মানা মানা ঙম্নবা তৌবোইরে

**—ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্মা**

ঐখোয়না য়াম্না নুংশিনা
ঐখোয়গা অদুম লোয়নবা
য়াম্না পুকচেল শেংবা
য়াম্না পুকচেল চাউবা
অহল অমনি তাদা কুমার।

মশমসু শাংই মকোইসু শাংই
ময়ূমদা লৈবদা থবক লেপ্তে;
মসিমক মাগী হৈনবীনি
করিগুম্বদা লৈকোলদা পোথাজৈ
লৈকোন্দুসু মানা কন্না শেমজবনি।

নোংমদি মাগী লৈকোন্দা মানা
চৌক্রি অমদা ফমদুনা পোথাবদা;
মীরাং অমনা তন্না মাগী কোই মরক্তা,
লাং অমা মরী মরী শম্নরগা শারকই
মীদুগী মতিন অদুদগী য়াম্না থুনা।

তাদা কুমার ফীভমদু মউরবসু;
করি মতৌনো য়েংগে খন্না
কনথোক্লুদে তৈথোক্লুদে,
তাদা কুমারনা খল্লকই হয়িং অমা
মাই কোইরক অদুদা অমুক তোং অমুক পাই।

মীরাং অদুগী মরক্তা খঙহৌদা
হয়িং অদু থুখরে ফাখরে,
মুন্না য়েংলুরগা খন্থরকই তা কুমারনা
মীওইবতা নত্তনা তাইবঙ পানসিদা;
থৱায় পানবা পূম্বসু হিংননবগী লম্বীসিদা
মানা মানা অঙম্বা তৌনবজাৎ ওইরে।

## ঐদি লৈরাংনি

**—থোকচোম থম্বালঅঙৌ সিংহ**

ঐদি লৈরাংনি
মপূগী লৈকোল নুংসিদা
ঙরাংতা লৈশাৎ তমজবী
মপূগী য়াথং ইল্লিবী
মালঙ ইপোম লাকপদা
কেনখিগদ্রা মীপাইজৈ
মালেম লৈমায় থকসিদা
পুন্সি থৌদাং পাঙদ্রিঙৈ
মীৎকুপকী ওইবা পুন্সিদা
নোংমতং মোমোন নোকচগে
তাইবঙ পূক্লিং শুক্মৎকে
মসিমতং নীজৈ মপূদা।

## উৎলমখিনি

**—ডা. আর কে নির্ম্মলা**

কনামত্তনা হায়গনু
পাঙ্গল শোনবীনি হায়না নুপীবু
তোল্লবিনি হায়না নুপীবু
নুপীনা শেল্লিবনি মালেমসে
নুপী লৈরমদ্রবা লৈরল্লোই মালেমসু।
থেংনরে মশীং খঙদ্রবা লানফম কয়া
পুন্সিগী লম্বেলসিদা
মতমগী তম্নরাইগী মীওৎ মীনৈ
মতমগী হেলোয়না পীরম্বা চৈনা
পূম্নমক খাঙলক্তুনা হিংলি ঙসিফাও।
উৎলমখিনি তাইবঙদা ঐগী পুন্সিসিনা
নুংশিবগী খুদম ওইনা
কথোকপগী খুদম ওইনা
অখাঙ কনবগী খুদম ওইনা
থৌনা ফবগী খুদম ওইনা।

# লোইশিন্দ্রিবা খোঞ্জেল

## (লেমহৌবা নুংশি মৈচাক্না ওল্লকপা শৈরেংগী লাইরিক অমা)




পাউদম্নিবাঃ সলাম তোম্বা

| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | লোইশিন্দ্রিবা খোঞ্জেল |
| মখল | ঃ | শৈরেং |
| অইবা | ঃ | লোইতাম ইনাওবী |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৭ |
| অফোঙবা | ঃ | নোহাখোল |

*নুংশিববু* মমল লেপ্পা ঙম্বা হৌনদে। অদুবু নুংশি মৈশা লাংলবা কনাগুম্বা কনাগুম্বীনদি হেক হেক মমল লেপ্পবা হোৎনরকই। কনানা থৱায়না, কনানা পুন্সিনা, কনানা থমোয়না মসিগী মমল ওইনবা হোৎনখিবা কয়া লৈখ্রে, হোৎনদুনসু লৈরি। মসিনি নুংশিবগী অঙকপা। অদুগা অসিমসু হংবা য়াই- “থুংনবগী নুংশিবগা, থুংনদবগী নুংশিবগা করম্বনা মমল য়াম্বগে?” মতাংসিদসু মালেমদা লৈরিবা থৱায় পূম্নমক্কী ভোট লৌনরবসু তঙ্খায় তাগদবা মাল্লি। মরমদি কনানা হায়গনি ‘থুংনবনা’ পম্লুংনি। কনানা হায়গনি, থুংনরদি পঙ্খৈ নাইরে, নুংশিবদি মপোক অমতগী নত্তে, অশি লৈবাক য়ৌনা চৎপা ঙম্মী। লোইবা নাইররোইদবা ৱারীনি। অদুনা খোরিরোলদা নুংশিববু মচেৎ মচেৎ থুগাইদুনা য়েংবা হৌরকই। Anders Nygren না নুংশিবা মখল অনী থোক্লা খায়দোক্লি - Eros and Agape. মসিদা পেন্দবা অতৈনা অমুক খায়দোক্লি মখল মরি - Platonic love, Christian love, Romantic love অমসুং Freudian love. মরি অসিগী মনুংদা Platonic love না খ্বাইদগী ৱাংনা থাঙ্গৎনরি। মসিদদি থুংনবনা লোইদ্রে। থুংনদ্রসু থৱায় অনীদুনা পুন্সি চুপ্পা চাক্লবা অদুফাও কোনশিনলে। মপোক মপোক লান্না অদুম পুদুনা চৎখ্রগদবা মৈচাক য়াওরে। মসিগী মৈচাক অসিনি ঙসি মালেমসিগী শৈরেংশিংদা মমি তারিবা, শৈরেং ওল্লক্লিবা। নোংপোক নোংচুপ চপ মান্নরে। ১৭ শুবা চহীচাদা Aphra Behn কৌবী নুপী ওইরসু নুপাগী মিহুল চঙবী, অইবীসিনা নুংশিববু ওন্থোক্লা চাক্লা শৈথারমখ্রে । মাদি নুংশিবনা লোইজরে হায়বা কবিনি। মানা হায়, "Curse, then, thou mighty wing'd God/this restless fever in my blood." অমুকসু হায়, "Love in fantastic triumph sat/whilst bleeding hearts around him flowed." মসিনা লোইদ্রি, "A many kisses he did give/And I returned the same/which made me willing to receive/that which I dare not name." কয়াদা থমোয় শেংনা হায়দোক্লিবা মাগী য়াৱানো?

ঐনা ৱাফম খরসি থমজরুবগী মরমদি ঐখোয়গী খোরিরোলদসু নুংশিবগীদমক ৱাজবা, নুংশিববু ঈখৌ লাংজবা, মশা পূম্বা হেক লৈতাফম খঙজদবা অইবী খরা থোক্লকপসি তরাম্না ওক্লিংলুবগী ৱাফম অদুনি। নুপানা শৈথাবা কয়াদি পাখ্রে। অদুবু নুপীগী থমোয়গী পাউদমদি তাঙনা ফংলি। লম অসিদা আর কে হেমাবতীগী ‘চিগোংলৈ নাচোমদি তাহৌরে’ পারুবদা ফাওখিবা ঈথিল অদুমক চপ চানা পীবা ঙম্বা শৈরেং লাইরিক অমসু ঙসি নুপীলক্তগী থোক্লক্লে। লোইতাম ইনাওবীগী ‘লোইশিন্দ্রিবা খোঞ্জেল’ হৌবদগী লোইবা ফাওবা নুংশিবগী মচু শঙলবা শৈরেং ঙাক্তনি। মদুসু থুংনহৌদ্রবা নুংশিবা। মদুসু নুংশি লেমহৌখাক অদুনা মতম পূম্বদা পোত্থাহন্দবগী খোঞ্জেল। ইচম চম্না ইবনি, থমোয় শেংবা হায়বদুমদি য়াওরে। লাইরিকসিগী মরমদা লমদমসিগী মমিং লৈরবা ক্রিটিক অনীনা ফজনা ৱাহৌদোক ইবীরি। ডা. শরতচন্দ্র লোংজোম্বা অমদি ওজা লোংজম জয়চন্দ্র অনীগী ৱাহৈ খরা অসিনা লাইরিকসিগী হায়গদবা ৱাদি লোইনা হায়খ্রে। ঐনা ৱাহৈ অমফাও হাপচিনবা ঙমগনি থাজদ্রে। অদুবু ইনাওবীগী থমোয়দা চাক্লিবা নুংশি মৈরী অদুদংদি মুথৎনীংঙি। অদুনা ঈশিং মরীক অমতংদি ঐসু পাংনীংঙি। ঈশিং মরীক অসিনা থাউগী মরীক ওনখিদুনা মৈচাক ফবদুম হেনখ্রগদ্রা খঙদ্রে। ওজা জয়চন্দ্রনা চুম্না হায়রি, “শৈরেংশিং অসিনা য়াম্না অৱাংবা থাক্কী ৱাখল পীননবা হোৎনদে। অইবীগী তোররিংবা মশক উবা ফংই। শৈরেংগী লাইরেম্বীনা খুদুম চল্লবা মীশক অমনা লোল্লকপা চোইরোলগুম্বনি।” চুমখ্রবা ৱানি। ইনাওবীগী মশাদা য়াওরিবা থমোয় ঈথিল ওন্থোক্লা লৌথুপ লৌকোই লৈতনা হায়দোকপা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈরে। মদুদা কনাসু করিসু মফম লৈত্রে, হঙ্গৈইবগী, ইকাইবগী। শৈরেং ৮৬ মক শমজিল্লগা অশাংবা লব সোন্নেট সিক্বেন্স অমগুম পাবা য়ারে। খূৎইনা ফ্রি ভর্স ওইজরবসু। অদুবু অহানবা খূৎথানি, অনীংবদু ফোঙদোকপগী ৱানি। শৈরেং ওইনা য়েংলুরবদি খরদি নৌনা তারি। পাদবদি ঙমদ্রে, থমোয় শেংবা মতৌনা।

মাগী নুংশিবা, রোমেন্টিক লব অদুনা প্লেটোনিক লব ওনলকপা ওন্থোক্লা মমল য়ামখ্রে। তশেংবা রোমেন্টিক কবি অমগী অচুম্বা শাজৎনি। মাগী নুংশি ঈচেলদি শাফু কন্না চেন্থরক্লগা ঈপাক্তা তিনখিবা মতৌদু নত্তে, মাগী থমোয় খোনবা নুংশি ঈচেলদি ঈপাক তল্লকপদা লৈকংলা ময়ায়দা কংশিনখ্রবা ঈচেলদুনি। অদুবু চন্দ্রনদি ঈচেলনি। তৌথোক্লুবদা হেক্তা লৈরম্বা। মুৎপা কৌবা লৈতবা। শিবনা পুন্সিগী পংখৈ ওইরসু মাগী নুংশিবদি মপোক অমা লান্না চৎখ্রগনি। অদুনা মানা হায়, “লোইখিনু ঐগী কল্পনাগী সুর/লেপখিনু নুংশি ঈচেল/তৎহনগুমসি নঙ ঐ মরীসু/চোংলক্কনি হিংবগী ময়োল/খঙলক্কনি হিংবগী মহাও।” (কল্পনা, লা: ৩৬) অমুকসু মানা হায়রি, “করিদি উপাই লৈরি, কুমলায়না চেনবী?/ৱাজৌ নতোমতা, অয়ো নাহে চঞ্জৌ/কপ্পো, নথন্তা, তাবিনবা কনা য়াওদনা।” (নুংশিবা, লা: ৩৭) মসিনসু লোইদ্রি, “হে নুংশিবা! কল্লিদকো নঙগী নয়াইসে/করিগী অসুক ৱাহল্লি/হকচাং অসিসু লেকথরে, পূক্লিংসু তেকথরে/তৎপা লৈতে পিরাং মিৎস্নাদনা।” (নীংশিংবা লা: ৪২) নুংশিবনা মহুম শাদুনা লৈরবী থমোয় অমগী অশেংবা মপাউনি।

অদুবু শেৎন-খাইনরবা থৱায় অনীগী উনফমদি তাইবঙদা নত্তে, মঙলান্দনি। মঙদদি ওইথোক্তবা হায়বা অমা লৈত্রে। মীগী ওইখ্রবা অদু ঐগী ওইবা য়াই, মতম্বাক্তা হিপ্পা য়াই। মদুমক্কি অইবী অসিগী কল্পনা। মায় পাকই হায়নীংঙি। অসুম্না ইরি, “ঐনা য়াত্তারি নুংশি মতম্বাক্তা/শুপ্পগী হকচাং তংখায় অমখক/... নানবিখি মোল্লবা মাগী খূৎশানা তপ্না তপ্না/ঐগী ফি থুংদ্রবা হকচাংদা।” (নুংশি ময়াই, লা; ৭৫) মসিদি তাইবঙ ৱাংমদা থুংনবগী মশক্কি, ৱাংখ্রবা ইমেজরীনি। অদুনা ইনাওবীনা হায়, থুংনবা ঙাক নুংশিনবা নত্তে, মসিদি ইতোপ তোপ্পি, তোঙানবা তাইবঙপান অমনি। ঈথিলনি, থমোয় কাচিন্দগী থোরকপা, ঈহুলনি পূক্লিং ৱাখলগী। ইনাওবীনা নুংশিবগী অনৌবা ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙম্লে হায়নীংঙি। মসিদি তাইবঙপানগী লোনচৎনা, চৎনবীনা থিংবা ঙম্লরোই, য়াদবসু ঙম্লগদবা মান্দ্রে। ফজবা মিৎয়েং অমনি হায়নীংঙি।

য়াম্না ফজরিবনা ইনাওবীগী ফিরেপ অসিনি। নুংশিবগী ৱাথোকপু শিবনা পাউখুম ওইবা য়াব্রা? নুংবু নুংশিরবদি অদুম নুংশিদুনা লৈরগা লোইরে হায়রি। পুন্সিবুসু মমল লৈনা লৌফম থোকই হায়বা অসিদি থাগত্তবা ঙমদে। অদুনা হায়রি, “শিমিন্নসিরা?/নঙ ঐ/মথঙ মপোক লাংওন অমগীদমক/হুং পামদে/তাইবঙ কুম্মৈ য়াওনীংঙি।” (ঐবু নঙগী কনানো, লা: ৮৫) অদুনা পাউখুম পীরি অইবীনা অসুম্না, “তৎখ্রবসু মপান্থোংগী নুংশি ঈচেল/লৈহৌগনি নুংগী ঈচেন্দি চন্দ্রনদিগুম/নীংশিংগনি শক্তম, থৱায়গা হকচাংগা শেৎনদ্রিখৈ/থদৎপা ঙম্লোই কনানসু, নুংশি মরী ইবান্নিগী।” (ঙম্লোই, লা: ১০৩) মসিদি অচুম্বা মায়কৈনি হায়নীংঙি। পুন্সিবু ৱাংনা থাঙ্গৎপা মওংনি। অদুবু কায়ন-মৈশানা খাঙবা ৱারকপা মিৎকুপ লাক্তবদি নত্তে অইবীদা। অদুবু মহাক্না ৱারকচৈ মাগী থমোয়বু, খাঙবা তম্বনা হৈনবী ওন্থোকই। অদুনা মানা হায়, “ফংলম্লোই অসুক ৱাবা/থুংনরল্লবদি মহাক্না/খঙলম্লোই/কায়না মৈশা/খায়নবগী অৱাবা/অদুবু পেঞ্জরে/থম্মোয়সে অহোইনদুম/হৈনরক্লে/মৈরী মৈচাক্তুগী।” (মৈশা, লা: ৯৩) ৱাহৈ খরসিনা অপাবশিংবু অইবীগী অৱাবদা শরুক য়াহনবা ঙম্মী হায়নীংঙি। উনা উনা লাম্বা ফংদ্রবা মাগী নুংশিবা অদুবু অইবীনা মনাক্তা পানবা উঁহৈ হেক্তুনা চাবা ফংদবা অদুগা চাংদম্নরি। অদুনা মাগী ৱাখন্দা চিংশিল্লগা উনরি মাগী নুংশিবা, মৈচাক খাঙলি মোল্লাং কোন্দুনা। মাগী ৱাহৈদা, “মোল্লবা ফমুংথক্তা ওন্না থোইনা খাঙলি/মোল্লাংবু কোঞ্জ, অৱা কোক্কদ্রা খঞ্জ/কয়াদা পেঞ্জরমগবা, নুংশি মানা নাক্তা লৈরদি।” (অনুতাপ, লা: ৭২) মিত্তা শংশং উহনবা ঙম্মী ৱাহৈ খরা অসিনা। ফজে হায়নীংঙি।

অতোপ্পা ফজবা মশক অমসু য়াওরি শৈরেং খরদা। মৈতৈ ঐখোয়গী Ethos তা চঙখ্রবা মচৎ পুথোক্লকই অইবীনা। য়াম্না মতাং চানা অসুম্না, “ফাজিনখ্রে মথৱায় মমি/তরেং লৈবী লংলা চান্ম নিপালনা পুন্দুনা/নাম্থোকপা ঙমদ্রে, উপাই লৈত্রে।” (নঙগীতা নত্তে, লা: ৬৫) ৱাহৈ খরসিনা লাপথোকখ্রবা মাগী নুংশিবদু মানা মরাল পীদে, মহৈনা ফাজিনখিবা ওইনা লৌজে। অদুবু অমুকসু হায়রি, ফনা ফাজিন্দুনসু মাগী নুংশিবদি মাগীতা ওইনা অদুম লৈগনি। তাইবঙগী উপাই অমতনা পুনবা ঙম্লোই । মখা তানা হায়রি, “হে! হাকমল্লি, তাইবঙ মীওইবা, অপঙবী/নঙতগী নত্তেনে মহাক্তো/ঐগীসুনিনে।” হকচাংগী নত্তবা আত্মাগী থুংনবা মখল অদুনি উৎলিবা। ফজদে করম হায়নি।

অমুক্কা হেন্না ফজরিবনা, অদুগুম্বা নুংশি মৈচাক অদুনা প্রতিভা পীরক্তুনা ৱাহৈ ওল্লকপা অসিনি। শৈরেং লাইরেম্বীগী বর ফংবগুম খঞ্জবা ঙল্লকপা অসিনি। শৈরেংগী ঈহৌফম ওনখিদুনা লেপ্পা লৈতনা চেন্থরকপা অসিনি। অদুনা অইবী অসিনা শোঞ্জে, “থোরক্লে ঙসিদি মরোল থোক্লমদবা প্রতিভা/মাবু নীংশিংলুবা মিৎকুপ খুদিং/মশা কংলবা উপাল মাসু/অনৌবা য়েন্নীং চোংলক্লে/বসন্ত ঋতু লাকপদা/... অদুনা খীকপীরো নঙগী প্রেমগী ঈরিক/পোত্থাজগে নঙগী লুরবা নুংশি ঈরোন্নুংদা।” (বসন্ত ঋতুনা লাকপদা, লা: ৫৯) ঈচেল অসি লেপ্তুবা ওইসনু।

য়ামখ্রে, পাউদম্নিংবদি, অদুবু মফমনা য়াদ্রে। ইনাওবীবু তরাম্না ওকফম থোকই। ঐখোয়গী রোমেন্টিক কবি অমা মশীং হেনগৎলে। ইনাওবীগী মথংগী শৈরেং ঙাইহরি।

# তৌশিন্নবা

**-মুন্সি প্রেমচন্দ**

***পন্দিট*** বালকরাম শাস্ত্রিগী লোয়নবী মায়ানা সনাগী লিক্লু পরেং অমা পাম্লক্লিবসি কুইরে, মানা মপুরোইবদা লিক্লু অমা শাবীনবা ঙাঙলক্লিবসি চামরক্তি শুরল্লনি অদুবু পন্দিটজিনা উপায় অমা-অমা তৌদুনা য়েথোক্লিবসিসু কুইরে। পৈশা লৈতবসু নত্তে, মরৈ-মরা তৌদুনা শাদনবা পৈশা তিংদনবা হোৎনদুনা লৈ। সনাগী লৈতেংনা কৈদৌনগদৌরিবনো, অদুগীসু মথক্তা হৌজিক্কী মতমসিদা সনাসু অশেংবা ফংদ্রে, সনা শাবশিংনা পংয়ান্দা য়ানশিল্লি, পূম্নমক্কী মথক্তা য়ূমদা সনা-লুপা মমল য়াম্বা থম্বসু ফত্তে, মতম ফত্তে, হুরান চিন্থি য়াম্না কল্লি। ঙাইহাক কেবগীদমক্তা অদুক চাউবা পোৎলুম অমা কোকথক্তা থাঙ্গৎতুনা থম্বা ফত্তে, অপঙবগী থবকনি। উপায় লৈত্রবী মায়া লাইরিক লাইশু য়াম্না হৈজবীসু নত্তে, মপুরোইবগী মরৈদুদা খুম্ফম খঙদনা লৈরে। য়ূমলোন্নবগী নুপীশিংনা কেবা উরগা মাগী থম্মোয়দু কল্লক-মিহৌবনা থনজৈ অদুবু কনাদা হায়রুনি? পন্দিটসু অদুক হাক্লা শুবা নোম্বা কনবা ওইদে, য়াম্না তল্লি, অয়াম্বা মতমদা চাবা অমদি পোত্থাবদা মতম মাঙহল্লি। মাগী নুপীনা চৈবা ঙাঙবদু অদুম তাদুনা লৈবা ঙম্মী। নোংমা মানা স্কুলদগী হল্লকপদা মাগী নুপী মায়ানা মঙক্তা সনাগী লিক্লু অমা শিরদুনা কেদুনা লৈরম্মী। সনাগী অরংবা মশেক্লা মাগী নুপীগী মায়থোংদুসু মঙাল নাইরে। মানা মাগী নুপীসি অসুক ফজৈ হায়বসি খঙলুদে। হংলকই- “কনাগী সনাগী লিক্লুনো?” মায়ানা খুল্লকই, “অৱাংলোমগী বাবু অমা লৈরিসে মাগী নুপী ইচেম্মগীনি, ঐ ঙসি মখোয়দা কোয়রুই, মাগী লিক্লুসি উবদা পাম্মনখ্রদুনা নঙোন্দা য়েংহনগে হায়দুনা হেক্তা শিরগা লাক্লবনি। ঐগীসু অমত্তা শাবীয়ুবা।” “করিগীনো মীগী মপোৎ পুরক্লিবা। মাঙখি-খোৎখিবা থোক্লবদি অমুক শিংননি লোয়ননা মীনসু থিনা ঙাঙননি।” “অদুবু ঐদি সিগুম্বা অমা শাগনি, তোলা কুনগীনি।” “নঙগী নিঙাইসিদি।” “মী লোইনা শিনরে, অদু ওইরদি ঐসু অমা শিবা য়াইনা, ঐ ইথন্তা শিররোইদ্রো?” “মী ময়াম্না গুহাদা চোঙথরবসু নঙসু চোঙথনিকো। খল্লুনে, লিক্লুসি শাবদা লুপা চাতরুকমুক্তি চঙগনি। চামদা লুপা অমগী চাংদা শেন্দোই পারবসু চহী মঙাদদি চাউরাক্লা লুপা লিশীং অমা ফাওবদি য়ৌনি। অদুবু নঙগী লিক্লুসিদি চহী মঙাদা য়াল্লবদা লুপা চহুমদগী হেন্না শিৎলোই। করিমত্তসু তোংজদবসিদা লিকচাউসি শিরগা করিনো নুংঙাইদৌরিসিবু? মীগী মপোৎতু পীথোক্লুচো, চাউ-থকউ নুংঙাইনা লৈবা তম্মু।” হায়রল্লগা পন্দিটতু মপানলোমদা থোকখ্রে।

নুমিৎতুগী অহিংদা মায়ানা খংলাউ লাউরকই- “হুরানবা! হুরানবা, ইমুংদা হুরানবা চঙলে, হুরানবনা ঐবু চিংলে। “পন্দিটসু পাখৎনা হৌগৎলকই অদুগা হায়রকই - “কদায়দা? কদায়দনো? তান্নৌ, তান্নৌ।” “ঐগী কাদা চঙলম্বনি, মতুংলোমদগী উহৌই।” “লালতেন্দু খরা পুরকউ, ঐগী চৈশুদুসু খরা পায়রকউ।” “ঐদি কিবনা লেংবা ফাওবা ঙমদ্রে।” মপান্দসু মী ময়াম অমা লাক্লে- “কদোমদনো পন্দিট, শগুন চঙলকইরো?” মায়ানা নত্তে, নত্তে য়ূমথক্তগী কুমথরকপনি। ঐনা মীকপ খংথোক থোক্লকপদা ঐঙোন্দা কনানো অমনা লুকথরকই। অদুগা ... অদুগা ঐগী ঙক্তগী সনাগী লিক্লুদু থত্তুনা পুখ্রে! ঐ সনাগী লিক্লুদু শিরগা তূম্বনি। হুরানবদুনা ইঙক্তগী হেক হুক্তোকখিবনি। ওন্থোকপনি, হে লাইনিংথৌ ইবুংঙো!” পন্দিট “নঙদি লিক্লুদুবু শিরগা করিগী তূম্লিবা?” “ঐদি খুদোংথিবসি ঙসিমক থোক্কনি হায়বসিদি খঙবা নত্তে ওন্থোকপনি হে লাইনিংথৌ ইবুংঙো?” “কপ্পুনা লৈবনা করিসু কান্নরোই? নঙনা তৌজবনা নঙনা ফংজবনি। অদুননি হায়নরিবসি মতম হায়বসি অকা-অকুম নাইবনি। ঐনা হায়বসি ৱাখল তাবা ঙম্লব্রা, অতৈ পোৎচৈদি পুখিদবা জাৎলা?” য়ূমলোন্নবশিংনা লালটেন পায়দুনা য়ূমগী কাচিন-কোয়া য়ৌনা লোয়না থিমিন্নরে। য়েন্নখাদা, য়ূমথক্তা, অমাংশঙ ফাওবা চঙদুনা য়েংলে হুরানবদু থিবা ফংদ্রে। য়ূমলোন্নবা অমনা হায়রকই - “য়াম্না অখঙবা মী অমগী থবকনি।” অতোপ্পা অমনা অমুক হায়রকই “করিমত্তা হোগাই খোৎকাইবা তৌদনা হুরানবা হায়বসি ওইথোক্তে। অতৈ পোৎচৈদি পুখিদবজাৎলো?” মায়া - “অতৈ অমত্তা পুখিদে, কোল-লিকসু সিদা লোইনা লৈরিসিনি। উপুসু অদুম লোল্লি। হুরানবদুনা হুগে হায়রগা ঐগী পোৎ ওইনা হুখো হায়বা, মীগী মপোৎ হুখ্রিবা করিগীনো? হে তাইবঙ মপু! ঐবু করম্না মীয়াম মমাঙদা ইমায়সি উৎকনি।” পন্দিট - শীনীংখোদনা সনাগী লৈতেংদো, নুংঙাইরেদনা?” মায়া, “ওন্থোকপনি, অসিগুম্বা মীংচৎ থিবসি ঐগী লাইবক্তা তম্লম্বজাৎনি।” “ঐনা নঙোন্দা কয়ারক হন্না হায়দ্রা, লিক্লুদু পাম্লুনু হায়না, নঙনা য়াবা কৌবা লৈতে। কৈসু নত্তবদা লুপা চাতরুক তিংগদৌরেদো। হৌজিক্তি লাইনিংথৌ ইবুংঙোনা ঐখোয়গী ঈজৎ কনবীদৌবা মঙায়রে।” “লাইবক থিবী ঐগী ইপোৎ ইরল পুখিবা ওইরবদি অদুক হাক্লসু নুংঙাইতবা তৌরোই। মাগী লিক্লুদু শাবসু কুইদ্রিবনি।” “খঙইনে, খঙইনে, তোলা কুনগীনি হায়দায়নে?” “হোয়, তোলা কুনগীনি হায়।” “মঙোন্দা করি হায়না হায়গদৌরিবা?” “হায়নি অশেংবদু, য়ূমদা হুরানবা চঙলে হায়না, হাৎকেদি হায়রকওইদনা? হৌজিক মাগীদমক্তা হুরানবা অমুক চৎকদৌরিবরা?” “নঙগী য়ূমদগী পোৎতু মাঙখিবনি, নঙনা শিংবা তাবনি। হুরানবনা হুনবা হায়দুনা পুথোক্তুনা থম্বদি নত্তেদনা। অমুক কৈসু হল্লক্লরোই।” মায়া - “অদুক য়াম্বা পৈশাদি কদায়দগী লৌরুনি?” পন্দিট “উপায় অমা নৎত্রগা অমা তৌবা তাবনি, ইজৎ মাঙবা য়াবা নত্তে, অদুবু নঙনা তৌরুরিদো য়াম্নদি লাল্লেকো। ‘মায়া’ তাইবঙ মপুদা নিজবসু পীবিদ্রে। ঐসি কাল হায়বা লাইদুনা য়েংশিল্লবা মাল্লে নৎত্রবদি ঙাইহাক্তং ঙক্তা শিরুবদুদা করিসু নুংঙাইবা ফংহৌবা নত্তে, ঐসি কয়াদা লাইবক থিখ্রবনো?” পন্দিট “হৌজিকপু নুংঙাইতবা ফোঙদোক্তুনা নশাবু চৈজদুনা করিবু কান্নদোইনো? তুমিন্না ফম্মু। অৱাংলোমগী ইবেম্মদা পাখৎকনু, নঙগী পোৎতু শিংদ্রিবা ফাওবা ঐখোয়সু নুংঙাইফম খঙলোই হায়না হায়য়ু।” পন্দিট বালকরামদু মতৌ করম্না লিক্লুদু শিংগদগে হায়না খন্দুনতা লৈখ্রে। মাগী মপোৎ ওইরল্লবসু ফগদৌবা, য়ূমলোন্নবীবু থাজহনবা পেলহনবা তাবনি। ব্রাহ্মনগী থবকপু ৱাৎপরনে অদুবু পন্দিটজীনা মাগী শাগৈ জাৎপু মমল হোংহনবসু পাল্লমদে।

থা তরুকচুপ্না পন্দিটনা অহিং নুংথিল নাইদনা থবক শুরে। নুংথিলদা চাক চাবা তোল্লগা হেক হেক তূম্লম্বদুসু তূমখিদ্রে, অহিংসু থেংনা থেংনা তূম্মী। অহানবদদি স্কুল অমত্তং লাইরিক তম্বীরম্বনি, ব্রাহ্মনশিংনা তৌরিবা পৈশা তানবগী শিনফম ময়ামসিবু য়াম্না তাথিরম্বনি। অদুবু হৌজিক্তি স্কুলদগী হল্লক্লগা মফম অমদনা ‘ভাগবত’ কী ৱারী লীবা চৎলে, মফমদুদগী হল্লক্লগা নুমিদাংগী পুং তরামাথোই - নোংয়াই ফাওবা কুঠি য়েংবা, চহীগী রাশিফল য়েংবনচিংবা তৌরে। অয়ূক অঙনবদনা লাইশঙদা ‘দুর্গা’ গী ৱারী লীবা চৎলি। মায়ানা মপুরোইবনা ঙাইহাক্তা ফাওবা পোত্থাদবসিদা মানা মরম ওইদুনা ৱাহল্লবনি হায়না মথন্তা নুংঙাইতবা ফাওরক্তবসু নত্তে। করিগুম্বা নারক্লবদি কমদৌবা, ৱামন্দুনা ময়াং কংথরকপা উবদা মথৱায় ৱাদবসু নত্তে, অসুম্না থা মঙাদি হৌজিনখ্রবনি। নোংমা নুমিদাংৱাইরম অমা মায়ানা ধুপ-থাউমৈ কৎনবা থৌরাং তৌরিঙৈদা পন্দিট চঙলকই ফুরিৎখাউদগী ময়োম মচা অমা লৌথোরক্লগা মঙোন্দা লংশিল্লকই অদুগা হায়রকই - “সে, লৌরোসে, ঙসিদগী ঐ নঙগী লমন কোক্লবনি।” মায়ানা ময়োমদু হাংদোক্তুনা য়েংই, মদুদা লংত্রিক লংবা সনাগী লিক্লু পরেং অমা য়াওরি, মদুগী খূৎশা-লাকশা অমদি লংনা ফজবদু উবদা মায়াদু মপূক্লিং হরাউবনা লোইরে। মানা মীৎচিনা পৈরপ য়েংলগা হায়রকই- “হরাউনা পীরিরো নৎত্রগনা শাওনা পীরিরো?” মপুরোইবনা - “করিনো হায়রিদুবো? লমন শিংবা হায়বসি হরাউনা ওইরসু য়াই, শাওনা ওইরবসু য়াই।” মায়া - “মসিদি লমন নত্তে।” “অদুদি করিনো?” “মহুৎসু নত্তে।” “অদুনা অমুক করি?” “নহাক্কী... খুদম।” “অদুদি লমন শিংনবা, মীগী মপোৎ শিংনবা অতোপ্পা লিক্লু অমমুক শাবা তারিবরা?” “নত্তে, নত্তে, লিক্লুদু হুরানখিবা নত্তে। ঐনা তৌশিন্নদুনা লাওশিন্নবনি।” “অশেংবরো নঙনা হায়রিদুবু?” “অশেংবমক্কি ঐনা হায়রিবসি।” “ঐবু পন্দুনা ৱাশকউ?” “নঙগী নখোঙ শোক্তুনা ৱাশকচরি।” “অদুদি নঙনা ঐঙোন্দা তাৎ তৌরিনিনে?” “হোয়”। “নঙনা তাৎ তৌরুবদগী ঐ করি ফীভম ওইরে হায়বসি নঙ খঙলবরা?” “লুপা চাতরুক্কী মথক্তা?” “মদুদগীসু হেন্না! ঐনা ঐ ইশাগী অপাম্বা, অনিংবা পূম্বা কৎথোকপা তাখি।”

**হিন্দীদগী হন্দোকপা**
**—লৈমপোকপম বেদান্তী**